সিঙ্গাপোরদা মোদিনা য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মেটিস উনখ্রে

সিঙ্গাপোর, জুন ০২ (এজেন্সী)ঃ

সিঙ্গাপোরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মেটিসকা উনদুনা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা হিরমদা ৱারী শানখ্রে।

য়ু এস মিলিটরিনা ইন্দিয়াবু মরুওইনা লৌবগী খুদম ওইনা পেসিফিক কম্মান্দবু ইন্দো-পেসিফিক কম্মান্দ হায়না মমিং হোংদোকখ্রবা মতুংদা লুচিংবা অনী উনখিবনি। লৈবাক অহুমগী খোঙচৎতা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ঙসি জিম মেটিসকা উনদুনা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনখি হায়না সোর্চ অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোরক্লি।

পুং ১ রোম ৱারী শানখিবদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবালসু শরুক য়াখি। সিঙ্গাপোরদা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা শঙ্গ্রী-লা দাইলোগকী নাকোয়ননা লুচিংবা অনী উনখিবনি। শঙ্গ্রী-লা দাইলোগতা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা থাজনবা অমগা লোয়ননা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নরবা মতমদা মালেমগী ওইনা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমগনি। লৈবাক অনী খুৎশম্নরবদি এসিয়া অমসুং মালেমগী মফম পুম্নমক্তা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি।

সমুদ্র অমসুং নোংথক্তা অথিংবা লৈতনা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নবগা লোয়ননা য়েৎনদুনা লৈরিবা ৱাফমশিং ঈং-তপ্পা ৱারী শানরগা কোকহনবা মথৌ তাই হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মেটিসসু ৱা ঙাঙখি। মহাক্নসু ইন্দো-পেসিফিক রিজনদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবগী পান্দমদা লৈবাক অনী হিরম কয়াদা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি। চাইনানা সাউথ চাইনা সী, ভিয়েটনাম, ফিলিপিন্স, মলেসিয়া, ব্রুনৈ অমদি টাইৱানবু মখোয়গী লমনি হায়না ক্লেম তৌরকপদগী চাউনা উংখৎনরকখ্রবা মতুংদা য়ু এসনা ইন্দিয়াগা অফবা মরী থম্ননবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সীগী শরুক পুম্নমক মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌখিববু য়ু এসনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা দিফেন্সকী মরুওইবা মপাং অমনি হায়না ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৬ তা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসনা খুৎয়েক পীনখিবা দিফেন্স এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা লৈবাক অনীনা মিলিটরিগী লমদা অপূনবা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নবগা লোয়ননা অমনা অমগী বেজ শীজিন্নবা য়ানবা ফীরেপ লৌখি। লৈবাক অনীগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবগী খুদম ওইনা এসিয়া পেসিফিকপু য়ু এসনা ইন্দো-পেসিফিক ওইনা মমিং ওনখি।

মারিয়ানো রাজোই ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা সোসলিষ্ট পেদ্রো সঞ্চেজনা স্পেনগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখ্রে

মেদ্রিদ, জুন ০২ (এজেন্সী)ঃ

মারিয়ানো রাজোইনা পার্লিয়ামেন্টতা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোট লৌনবদা মায়থিখ্রবা মতুংদা সোসলিষ্ট স্পেদ্রো সঞ্চেজনা স্পেনগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখ্রে।

কুমজা ১৯৭০ গী লোইশিল্লমদাইদা স্পেনদা দিমোক্রেসি হঞ্জিল্লকখ্রবা মতুংদা সোসলিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা সঞ্চেজনা লৈবাক্কী তরেৎশুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরে। অদুবু চহী ৬ ফম পায়রম্বা রাজোইনা মফম থাদোকখিবনা মরম ওইরগা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী মকোক থোংবা লৈবাক মরিগী মতাংদা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা লৈরে।

ইরাই নুমীৎতা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোট লৌনবদা সঞ্চেজনা ভোট ১৮০ ফংখি। মহাক্কী মায়োক্তা ভোট ১৬৯ পীখি। পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমদি ভোট থাদবা য়াওখিদে। কুমজা ২০২০ দা পার্লিয়ামেন্টকী মতম লোইরগনি। মতম অদু ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লৈঙাক পায়খিগনি হায়না সঞ্চেজনা ফোঙদোকখি। অদুবু অপূনবা মেম্বর ৩৫০ লৈবা লেজিসলেটিব এসেমব্লীদা সোসলিষ্ট পার্টিগী দেপ্যুটি ৮৪খক লৈবা মরম্না টার্ম লোইবা ফাওবা সঞ্চেজনা ফম পায়দুনা লৈবা ঙমগদ্রা হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

পোলিটিকেল ওবজার্ভরশিংনা হায়খি মদুদি, মথং চহীগী মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকেল অমসুং রিজনল ইলেক্সনশিংগী মাঙওইননা সঞ্চেজনা নেসনল ইলেক্সন পাঙথোক্কবা থৌরাং লৌখৎলক্কনি হায়বা থাজদে। মমাঙদা রাজোইনা পাস তৌরম্বা বজেট ঈকায় খুম্নগনি হায়না সঞ্চেজনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মমাঙগী লৈঙাক্না পায়খৎলম্বা থৌরাং অয়াম্বা শেমদোক-শাদোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রি।

হেল্থ ক্যের অমদি এদ্যুকেসন্দা শেল থাদবগী চাং হন্থহনখিবগা লোয়ননা অনৌবা লেবর লোচৎনহনখিবগী মতাংদসু সঞ্চেজনা খুৎ থিংজিনবা ঙম্লোইদৌরি। ইরাই নুমীৎতা থাজবগী ভোট লৌনরমদাইদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মারিয়ানো রাজোইনা মায়থিরে হায়বা য়াজখিবগা লোয়ননা ফম থাদোকপা লৈখ্রবনি। রাজোই ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা ওপোজিসন লিদর পেদ্রো সঞ্চেজনা স্পেনগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি।

সঞ্চেজনা পার্লিয়ামেন্টতা থাজবগী ভোট লৌনরমদাইদা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপা ঙম্লগনি। রাজোই ফম থাদোকহনখিবগী থৌওং অসি স্পেনিস মীয়ামগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। অমরোমদা, পোপ্যুল্লর পার্টি (পি পি) গী মেম্বর রফেল হর্নান্দোনা হায়খি মদুদি, পুৱারীদা অহানবা ওইনা মীখলদা মীরেপ ওইদুনা মায় পাক্লক্তবা মীওই অমনা লৈবাক্কী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা য়াই।

সঞ্চেজবু স্পেনগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা তারবসু অনৌবা লৈঙাক অসি টার্ম লোইবা ফাওবা লৈগদবা মান্দে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। মরুওইবা ক্রিমিনেল কেস কয়া হিয়ারিং চথরিবা নেসনল কোর্টনা পি পিগা মরী লৈনবা মীওই ২৯ চৈরাক পীখিবা মরম্না অনৌবা লৈঙাক অসি মতম কুইনা চৎকনি হায়বা থাজনদ্রি।

মমাঙ চহীদা শেঙ্গা-থুমজাগা মরী লৈননা চথখিবা ত্রাইয়েল অমদা রাজোইনা ৱিটনেস ওইনা কোর্টতা ষ্টেটমেন্ট পীখি। স্পেনগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মীওই অমনা কোর্টতা মতৌ অসুম্না ষ্টেটমেন্ট পীবা মহাক্না অহানবনি। হিরম অসিগী মতাংদা রাজোইনা হায়খি মদুদি, শেঙ্গা-থুমজাগী কেসশিংদা মহাক্কী পার্টি মেম্বরশিং চেন্নদবা মরম্না কোর্টকী অরোইবা ৱায়েল খৌরাংনা ঙাইরি।

মীয়াম্না পি পিদা অরানবা মীৎয়েং থম্বা চুমদে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মমাঙদা সোসলিষ্ট পার্টিগী মরুওইবা লুচিংবা কয়া শেঙ্গা-থুমজা অমদি অচৌ অচৌবা ৱাথোক কয়াদা চেন্নবা লৈখ্রে।

পি পিগী মরুওইবা লুচিংবশিং চেন্নবা শেঙ্গা-থুমজাগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকখ্রবা মতুংদা সোসলিষ্ট পার্টিনা মমাঙ চয়োলদা স্পেনিস গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা থাজদবগী মোসন অমা থাঙ্গৎলকখিবনি হায়রি।

হৱাইদা মৈগী চীং পোকখায়বদগী য়ুম ৮০ হেন্না অমাঙ-অতা থোকখ্রে

হোনোলুলু, জুন ০২ (এজেন্সী)ঃ

হৱাইদা লৈবা কিলোৱা মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী য়ুম ৮০ হেন্না অমাঙ-অতা থোক্লে হায়না মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৱাইগী সিবিল দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন তালমাগে মাঙ্গোনা হায়খি মদুদি, মৈগী চীংদগী চেন্থরকপা লভানা য়ুম ৮৭ লোম অমাঙ-অতা থোকখি। শগোলশেন নুমীৎকী নুমীদাংদা ওথোরিটিনা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং মাঙজৌননা ময়ুম-মকৈ থাদোক্নুনা চৎহনখ্রবা মতুংদা মৈগী চীং পোকখায়রকখিবনি। অপীবা মতমগী মনুংদা ময়ুম-মকৈ থাদোক্নুনা চৎহৌদবা মীওইশিং খুদোংথিবা মায়োক্লরকপা মতমদা মতেং পাংবা অমসুং কনবা ঙম্নগী ফীভম লৈতবা মরম্না মফম অদুদগী মাঙজৌননা চৎখিনবা খঙহনখিবনি।

হৱাইদা চয়োল মরিরোমগী মমাঙদা মৈগী চীং পোকখায়রকপা য়াবগী খুদম ময়েক শেংনা উবা ফংখি। য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভে (য়ু এস জি এস) গী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, কিলোৱা চীংদগী চেন্থরকপা লভানা স্কৱার মাইল ৫.৫ পাক চাউবা মফম অমাঙ-অতা থোকহনখি। মৈগী চীং পোকখায়রকপদা মাঙ-তাকখিবা মফম অদু ন্যু য়োর্ককী সেন্ট্রেল পার্কতগী শরুক মরি হেন্না চাউই। নুংশিৎতা ফুট ২৬০ ৱাংনা কাপথোরকখিবা লাভানা পুংদা য়ার্দ ১০০ গী চাংদা য়াংনা চেন্থরক্নুনা য়ুম ৮৭ লোম অমাঙ-অতা থোকহনখিবনি।

হন্দক মৈগী চীং পোকখায়বদা চেন্থরক্লিবা লাভা অসিনা হান্নগা য়েংনবদা কা হেন্না শাবগী চাং ৱাংই হায়না য়ু এস জি এসকী সাইন্টিষ্ট ৱেন্দি ষ্টোৱালনা সী এন এনদা ফোঙদোকখি। মৈগী চীং পোকখায়বদা লাভা চেন্থরক্লবা মতুংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা অমম্বা মৈখু কামথোরকপা য়াবগী ফীভম লৈ। মসিনা মীৎ, উনসা অমদি নুংশা হোনবদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

জুলাই ২৫ দা পাকিস্তানগী মীখল পাঙথোক্লগনি

ইস্লামবাদ, জুন ০২ (এজেন্সী)ঃ

মিলিটরিনা খুৎ থিংজিল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা মরক্তা পাকিস্তানগী জেনরেল ইলেক্সন জুলাই ২৫ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে।

ইরাই নুমীৎতা লৈঙাক পায়রিবা পাকিস্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন)না চহী ৫ মপুং ফানা লৈঙাক পায়রক্লবা মতুংদা ক্যের টেকর এদমিনিষ্ট্রেসন্দা লৈঙাক শিন্নবা লৈখ্রবনি। দিমোক্রেসি মপুং ফানা হঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা অহুম্না মওংদা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলবসু মীচম মীয়াম অমদি মতিক ময়াই লৈরবা মিলিটরিগী মরক্তা চাউনা উংখৎনরকখি। কুমজা ১৯৪৭ তা পাকিস্টান্না নীংতম্বা ফংখ্রবা মতুংদা মিলিটরিনা অয়াম্বা মতমদা লৈবাক্কী লৈঙাক চুপ্পা পায়দুনা লাকখিবনি। অদুবু দিমোক্রেসি হঞ্জিল্লকখিবগা লোয়ননা অনীরকশুবা ওইনা মীয়ামগী মীহুৎ খন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

EDUCITY TUTORIALS
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER, IMPHAL NEAR TRAFFIC POINT
& SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, NEAR ORIENTAL COLLEGE
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X
CLASS - XI & XII (SCIENCE)
Both CBSE & BOSEM
Register Now! Register Now!
➲ STUDY MATERIALS ➲ SUGGESTIONS
➲ SPECIAL TEST ➲ COUNCELLING
➲ VAN FACILITIES ➲ WELL EXPERIENCE TEACHER
➲ HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS (Rs. 3000/- Months)
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Months)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Months)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Months)
CLASS XI & XII (SC.) (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12th & 20th JUNE, 2018 (LIMITED SEATS)
Please Call: +91-9612194500
TIMING: 5:00 TO 7:00 AM
4:30 TO 7:30 PM
HL-P/4627/16/5-14/6

CAS Medical
An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE
for NEET -2019
● Issue of form & prospectus: From 1st June onward
● Last date of form submission: 20th June 2018
Class commencing from: 21st June 2018
Special Attractions:
● Concession given to first 50 students for first BATCH
● Admission freeship for Position Holders of COHSEM
● Concession will given for CASIANS
● Supply Authentic study materials (Physics, Chemistry, Biology)
● First come first served
For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal
Hostel for BOYS & GIRLS available
HL-B/4647/25/5-26/6(Alt.)

/ADMISSION NOTICE
RamaKrishna Mission Vidyalaya, Agartala অমসুং Delhi Public School, Faridabad হায়রিবা CBSE School অনী অসিদা Class XI গী Science, Arts অমদি Commerce Stream শিংদা Admission তৌবিনীংবা Students শিংনা অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিরকপা য়াগনি।
Please Contact : Maibam Roshni Kumar
Lairikyengbam Leikai, Salan Leirak
9856210245, 7005138304
HL-P/1505/2-5

TREATED SUCCESSFULLY
মায় পাক্লা লায়েংজরি
PH. ALAM
PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্ববা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।
GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।
STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।
ASTHMA AND COUGH: শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।
SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।
LIVER, JAUNDICE, SUGAR : লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম চিংবা লায়েংজরি।
BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খুৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।
1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN
MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220
HL-P/1300/15/5-8/6

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
ADMISSION OPEN
CLASS XI-Sc. 2018-19
Eligibility Criteria for Admission/Entrance Exam.
1. Students scoring 55% and above but below 70%- Admission through Entrance Test (Phy,Chem, Bio & Maths)
2. Students scoring 90% and above
•Scholarship • Direct admission •Free (Admission, Tuition, Hostel, Transport Charges, Free Books for XI & XII) & Free Uniforms (One time only)
3. 80% to 89% - Free Admission, Tuition Fee & Books (only for class XI) - Direct admission
4. 70% and above - Direct admission
5. Last date of form submission - 07/06/2018.
6. Date of Entrance Test - 08/06/2018 at 10:00 a.m. (Result declaration - 4:00 p.m.
7. Last date of Admission - 10/6/2018 Sunday open).
CLASSES WILL START ON 11/06/2018
Sd/-
Principal
HL-B/4679/2&3

Our Mission: Producing POSITION Holders from non-Position Holders
DAS Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal
A Co-Educational Higher Secondary
Govt. recognised & Affiliated to COHSEM
Admission Open
for Class-XI
Science & Arts
No cut off marks for Admission; all are welcome at First come First chance
Special Facilities for Meritorious Students
Direct Admitted Students (70 % & above)



CBSE Students are also Welcome
Many Attractive Facilities with Smart Class & Advance Lab; Added advance Medical & Engineering classes
Direct Admission through counselling
COME & SEE THE DIFFERENCE, FEEL THE DIFFERENCE
HL-B/4660/1-13June

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)
WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER

SCIENCE
2nd Position Luckyson Ningthoujam
3rd Position Yumnam Devajit
8th Position Akoijam Badal Singh
9th Position Kenisa Nongmaithem
10th Position Asem Koroungamba
12th Position Laishram Emoba Meitei
15th Position Haobam Arbin Singh
17th Position Sagolshem Bikish Singh

FELICITATION FUNCTION
OF TOPPERS

ARTS
2nd Position Takhelchangbam Sanaina Devi
3rd Position Yengkhom Gunchenba
4th Position Tekcham James Singh
6th Position Moirangthem Loyangamba
7th Position Sh. Obed Kharam
8th Position Takhellambam Onesh Meitei

HL-B/4560/6/4-6/5